# “পুক ফবগী শরুক ৱাৎলি-!”

- এল ইবোমচা -

হন্দক পাঙথোকখিবা লোক সভা মীখল অদুদা মায় পাক্লবা কেন্দিদেটশিং অদু তঙাইফদনা ইন্দিয়া লৈঙাক্না তাবীবা তাবীদবা পার্লিয়ামেন্টতা লাউবা ঙমগদবা মীওই ওইগদবনি। হৌজিকসি মণিপুর মৈথক্তা ফল্লিবনি খঙনা ৱাখল তানা পূন্না কোক চুংশিল্লগা লৌশিং লৈবা মরৈবাক মরমদম্বু থম্মোয় শেংনা নুংশিবা মীহুৎসু ওইগদবনি। ঐ ৱাখল তাদে, নঙ ৱাখল তাউ হায়দুনা ইম্বোক-ইনশিন তৌনদুনা লৈনগদবা মতম অদু নৎত্রে। হৌজিক্তি ঐখোয় পূন্না ৱাখল তামিন্নবা য়ারেনা, মসিদগী হেন্না ৱাবা কদাইদগী কোৎলুগনি। কুকিশিংনা ঐখোয়বু কুইনা তূম্মল্লে হৌগৎনবা হায়দুনা মায়দা, মিৎতা মোরোক মকুপ চাইশিল্লে মসি ফাওবদা হৌগৎকনি খঙদ্রবদি কুকিশিংগী খূৎতা খরা থুনা শিজরগে হায়বনি। মথংদদি মিৎ অনীমক পুমতাং তাংনবা কেমিকেলগী হূ য়াওরবা হীদাক চাইশিল্লকপসু কনানা খঙগনি। মতাংসিদা মীতৈশিং ঐখোয় ফীভম শেমহৌদ্রবদি মথং অমুক শেম্নবগী তাঞ্জা অমা লৈরোই। মণিপুরগী এম পি অনীমক মতিক চাবা মীওই ওইগদবনি। ইন্দিয়ান পার্লিয়ামেন্টতা মণিপুর ইস্যুগী মতাংদা মরীক চুন্নবা ৱাফম ফোঙদোকপা ঙমগদবা অচান-মীরাই নাইরোইদবা, লৌশিং লৈবা মীওই ওইগদবনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা চিনবান্দা খোইহি তৈবা মবুক শেংদবা নেতা শাবশিংগী ওইদবা ৱাহৈ-ৱাতাদা অমদি শেলদা ঐখোয়না ঙাওরবা মীতৈ লোইরে, মণিপুর লোইরে হায়বা য়ারে। এম পি অনীমক মথৌনা মরৌশিং লৈরবা মণিপুরগী ইস্যু মুন্না খঙবা মী ওইগদবনি। মমাঙদা লাইরিক হৈবনি হায়দুনা থাগৎলুরগা মথৌনা মরিংজেল য়াওদবা লাইশু খঙদবা মীওই ওইরমদুনা লৈবাক ৱাথোক ওইখ্রিবা অদুনি। ঈশিং পুন লৈবদা কাকসিনা কাক-কাক খৎলগা লৈবগুম্না মতিক চাবা মীওই খনবগা লোয়ননা মণিপুরগী ইস্যু অসি নাখৈ শেংনা লোইশিনবদা মতেং পাংবা ঙম্বসু ওইগদবনি।

সেন্টরগী মোদি লৈঙাক অসি গনতন্ত্রদি হায়রগা তৌথোরকপা থবক্তনা দিক্টেটরশিপকী মওংনি। ঐনা তৌ হায়রবদি তৌগদবনি, তৌদবা য়ারোই, তৌদ্রেদনা নখোঙ নখুৎতু পুনশিন্দুনা খম থেংবা মওংদা লাক্লগনি নরিল তেংগনি, নউন খোক্কনি মসিনি। খোকপা হায়ববু হৌজিক খোক্লিবা অসিনি। হায়বদি মণিপুর ইন্দিয়াগী মপূং ফারবা ষ্টেট অমনি। মণিপুরীশিং ইন্দিয়ন য়ুনিয়নদা তিনবা মতিক চারবা সিটিজন ঙাক্তনি, ঐখোয় পূম্নমক ইন্দিয়ন ঙাক্তনি। ম্যান্মারগী ফোরেন্নর রিফ্যুজি ময়াম অমা শম্বল খাদবা বোর্দরদগী আইন কায়না হুরান লোন্নাদা চঙলক্লগা মাগী সিটিজন ওইরিবা মীতৈশিংগী মথক্তা অতম্বনা লান্দারক্তুনা মীশি মীনা থোকহনবনি। চৎলিবা থা অসিগী ৩, ইরাই নুমিৎতা চহী অমা চপ চানা মপূং ফাখ্রবা লান অসিদা প্রাইম মিনিষ্টরনা য়েংদুনা লৈশিনবা হায়বসি লৈবাক মীয়ামগী মপী মপা শক্লবা নরেন্দ্র মোদি অসি ইন্দিয়াগী গনতন্ত্র চত্তে, গনতন্ত্র খোঙ্গাওনৈ হায়বদা করিবু লানগদগে?

কুকি মিলিটেন্টশিংনা ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রবু শীংনদুনা অমদি পাঙ্গল কল্লবা ইন্দিয়াবু করিমত্তা নাচুংদনা মীতৈশিংবু তমথীনা ওৎ নৈবদা সেন্টর অমদি ষ্টেট লৈঙাক্না কুম্মৈ অমগুম্না য়েংদুনা লৈরি। মীরৈবাক মচানা মীতৈশিংদা শীংনরকপা হায়বসি ইন্দিয়াদা শীংনবনি হায়না করিমত্তা খন্দবা হায়বসি মরীন লৈতবা মীকিথীগী থৌওংনি। লৈঙাক্না ইশেং শেংনা আইনগী ওইবা লম্বীদা থবক লৌখৎলকপদা কুকিগী লান অসি নহান্না লোইখ্রনি অমদি নাখৈ শেংবা লৈখাই অমসু তারগনি। মদুসু থবক ওইনা তৌবসু উদে। কৈসু কি, মথীসু কি হায়বগী ফীভমদা লৈ। অদুগা হুরানবা কুকিগী এম এল এ তরা অসি সেন্টর লৈঙাক্না নোংশাগুম্না উরুমাল্লে, করিমত্তা হায়জবা ঙমজদে। মখোয়না গনতন্ত্র খোঙ্গোইনবা আইন কায়বা থবক কয়া তৌবদা য়েংদুনা লৈ। অঙম অরাই খঙদনা সূ চৎনরিবা কুকি মিলিটেন্ট কাঙবুদা ইনশিল্লগা মীচম মীতৈশিংদা লান্দাবা য়েংদুনা লৈ। এম এল এ ওইনা লৈরগা হিংশা কয়া চখদুনা লৈবদা সেন্টরনা অকনবা চৈরাক পীদবা হায়বসি কন্সটিট্যুসন শীংনবদা ইন্দিয়া লৈঙাক য়াওরে হায়বসু য়াই। এম এল এ তরাদগী ইন্দিয়া লৈঙাক্না হেন্না কন্সটিট্যুসন শীঙনৈ হায়না লৌবা য়াই। ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসন মতুংইন্না সেন্টর লৈঙাক্তা তানগদবা অদুক চাউবা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটরিগী দিমান্দ অমা নোংমৈ, বোম, টোপ শীজিন্নদুনা মীচম মীতৈ হাৎলগা ফংগনি খল্লগদি মদু শুকওই ওইথোক্লোই। মরমদি দিমান্দ অদু মীতৈশিংনা পীবা ঙম্বা দিমান্দ অমা নত্তে। মীতৈদি লায়রদনা মণিপুর লৈঙাক্না ফাওবা পীবা ঙল্লোই। ঙল্লবদি মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুং চন্দ্রে, সোভরেন্ট ষ্টেট অমা ওইরে হায়না লৌবা য়ারে।

ইন্দিয়াগী মপাঙ্গল অসি অসুক্কী মতিক শোল্লি হায়বসি হন্দক্কী কুকি লান অসিদগী চপ চানা খঙবা ঙল্লে। মদুদি হন্দক্কী লান অসি ফোরেন এগ্রেসননি হায়বসি ইন্দিয়া মশানা য়াজবগী মতুংইন্না বোর্দর ফেন্সিং তৌশিন্দুনা, ফ্রী মুভমেন্ট রেজিম চৎনবদা মিজোরাম, নাগালেন্দ অমদি মণিপুরগী বোর্দরদা লৈরিবা নাগা অমদি কুকি খরনা অয়েৎ অপন পীরকপদা মদুবু য়ৈথৎপা ঙমজদে। ম্যান্মারগা য়াম্না চাউনা মরী লৈনরিবনি, মখোয়দগী মীতৈশিংনা য়াম্না শাথীনা হেল্লি। মীতৈ ফূরুপকী মীওই মশীং খঙদনা ম্যান্মার লৈবাক্তা খুন্দাদুনা লৈ। মদুগী মথক্তা লান নংদুনা মীশি মীনা থোক্লিবসু মণিপুরদনি মীতৈশিংদনি। মখোয়গী মতৌ অসিদি অসুক্কী মতিক অৱা চৈথেং নংলবা মীতৈশিংগী অৱাবা অসি কুম্মৈগুম্না য়েংবা পেন্দ্রি খনবা মাল্লি। মীতৈশিংসু মীনি, ফূরুপ নুংশিবা খঙই, ম্যান্মারদা লৈরিবা মীতৈশিংবু মণিপুরদা লৈবা মীতৈশিংনা নুংশিবদগী মখোয়গী ম্যান্মারদা লৈবা ফূরুপ্তা নুংশিবনা হেনবা নত্তে। চহী তরেৎ খুন্তাকপা অৱা লানদা য়াম্না নুংশি নুংশিনা লাপথোক্লখ্রবা ম্যান্মারদা লৈখ্রবা মীতৈশিংগীদমক মণিপুরদা লৈরিবা মীতৈশিংনা ঙসি ফাওবা থম্মোয় লাইমন ওইদুনা লৈরিবনি। য়ারগদি নোংদম্বা মানা অমুক্তা পূন্না লৈমিন্নবা শিনবীয়ু হায়না লাই খুরুমদুনা লৈনরিবনি।

কুকি মিলিটেন্টশিংনা সূগী মরুমদা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তাল্লিবসিদা কুকিগী এম এল এ তরাসিনা কম্মান্দর ওইরি। মখোয়না ষ্টেট ফোর্স অমদি সেন্ট্রেল ফোর্সতা খূৎ থাদুনা অশি-অনা, অশোক-অপন নংহনবগী মথক্তুদা ইন্দিয়াগী মচু অহুমগী ফিরাল ফাওবা মখোঙনা নেৎতুনা অমদি মৈ থাদুনা খোঙ্গোইনরি। মীচম মীয়াম্বু শা-ঙাগুম ওৎ নৈদুনা হাৎখিবা থৌওং অসিনা তাক্লিবদি কুকিশিংসি মী ওইরবসু শাদগীসু হেন্না তমথীবা পুকচেল চেল্লি তাকচৈ। মীওইবা হায়বসিদি মীগী তৌবীমল মশক খঙবা, মীনুংশি চাউবা, ইকায়বা খঙবা হায়বদুদা য়ূম্ফম ওইগদবনি। মদু পূম্নমক অসি কুকিশিংগী মফমদদি ওন্ন-তৈনৈ। অদুননি মীগী মপা মপুশিংনা মশাগী হুমাং মমলনা অমদি ঈখেংনা থল্লম্বা লমদম অসিবু মখোয়গী মপা মপুশিংনা থনম্বদৌনা সিপরেট এদমিনিষ্ট্রেসন তানবা ঙম্মী। মখোয়না ঙম্বসি কয়ামুক ঙম্বগে হায়রবদা মীতৈশিংগী মরু ওইবা লাইফমলেন অমা ওইরিবা থাংজিং চীংবু মাউন্ট ওলিব হায়না মমিং থোঞ্জিল্লগা ক্রোস য়ুংবা ঙম্মী। মসিমক্তি য়াম্ন ইকায় খঙদবগী থৌওংনি। মীতৈগী ৱাহৈদা ইকায় খঙদবগী হীদাক লৈতে হায়বদুনি।

তৌবগীদি কুকিশিং অসি লাইরিক লাইশু ফনা য়াম্না হৈজরবসু মখোয়গী হৌরকফম ফত্তবনা মরম ওইরগা চেক-চেকশিল্লগা ৱাখল খনবা ঙল্লক্লোই মীনুংশি অমদি ইকায়বা খঙবা হায়বদু লৈরক্লোই। কল্লকপা মীহৌবনা মাঙ থারগা চৎখিদুনা অফ-ফত্তগী ৱাখলসু খনবা ঙল্লক্লোই। অদুননি ঙাইহাক লৈতনা লম মুন্নবগী, লিদর মুন্নবগী খৎনদুনতা লৈরিবনি। ঙাইহাক লৈরগা নাগা মচা ফূবিরে, হায়ৱেদা থোক্লক্লগা শেল অমুক মুনবা, গাড়ী লাকপা মৈ থাবা মখোয়গী নেচরনি। মীতৈশিংগা অমুক খৎনবা হায়বসিদি মখোয়দদি করিসু থোইদোক্তে। মীতৈশিংনদি মখোয়বু ইপঙ পঙজবনি, ইচম চমজবনি খল্লুবদগী মখোয়গী মরমচৎ মুন্না থিজিলহৌদবদগী ঙসিগী খুদোংথীরবা লান অসি মীতৈশিংনা নংলিবনি ‘পুক ফবগী শরুক ৱাৎলি-!’ হায়বদুমক মীতৈশিংদা তাবনি। ●

# পৈশা থাবদা হৌহনবা ঙম্বা মী লাকখিগদ্রা?

মতম মতমগী
গুরুময়ূম জ্ঞানেশ্বর শর্ম্মা

পৈশা পান্বী থাবদা হৌনি, মখারোমগী তা তোমালনা হায়বনি। খরা পায়শিল্লুরগা মরোল মরী ইফাই-ফাইনা ঙাঙথরকপদুদি কনা অমত্তনা য়েংলু লাক্লুবগা য়াবা নত্তে। ইচম চম্না হৌবখক্তা নত্তে মসা মরেং পান্দুনা উহৈ-ৱাহৈ পানবগুম শেল চরোং-চরোং পানগনিবু হায়। লুপা অমা, অনী অমসুং মঙাগী কোইননা থাবদা হৌদুনা পৈশা চরোং চরোংবু পান্দ্রবা নাসি ককচৌ, মসিনি মানা হায়রিবসি। ঐনা হায়রিবসি হীদাক ঙাওদুনা হায়বা নত্তেকো হায়নসু মরক মরক্তা হায়। শুকশোয় শোয়দনা পানগনি তৌবতবু কন্দিসন অমদি লৈ মদুদি থাগদৌরিবা মীওইদু মপূন্সিদা অরানবা অমত্তা তৌদ্রিবা মী ওইগদবনি, অদুগুম্বা মীওইদুনা পৈশা থাবদা নুমিৎ মঙানিগী মনুংদা হৌদুনা পৈশা চরোং চরোং পানগনি, মসিনি তা তোমালনা হায়রিবসি।

মপূন্সিদা অরানবা অমত্তা তৌদ্রিবা মীদি মালেম অসিদা লৈরমগদ্রা? করম করম্বা মীওইবুনো ঐখোয়না মপূন্সিদা অরানবা তৌদ্রিবা মীওইনি হায়গদৌরিবসি? ৱাহং অসিগী পাউখুম অরায়বা ওইদে, অচুম্বা পাউখুম ফংগদবা মান্দে। মপূন্সিগী পুলিস কেস লৈত্রিবা, কোর্ট কাদ্রিবা মীওইশিং অদুবু ঐখোয়না অরানবা তৌদ্রিবা মীওইশিংনি হায়না লৌবা য়ারবরা? লৈবাক্কী ৱায়েল থৌদাদা মরু ওইবা থৌদাং লৌরিবা অমদি লৈঙাক্লিবা লুচিংবশিং অসি অরানবা অমত্তা তৌরল্লোইদ্রা? ৱায়েলশঙদা ফমদুনা অচুম-অরান ৱায়েল্লিবা, মীওই কয়াবু মরাল লৈতে হায়না থাদোকপা ঙম্বা, কয়া অমবুনা মরালগী মতুংইন্না শিবগী চৈরাক য়াওনা তোঙান তোঙানবা মখলগী চৈরাক পীবা ঙল্লিবা মীওইশিং অদুদি মপূন্সিদা অরানবা অমত্তা তৌরল্লোইদ্রা?

মালেম অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমা পাম্নে হায়বদি মীপূম খুদিংমক্না য়ানীংগনি। নুংঙাইবা পূন্সি মরেল অমগীদমক শেল য়াম্না পায়বা মথৌ তাই হায়বসু পূম্নমক্না খঙনরবা ৱাফম্নি। ‘মনি ইজ নোট এভ্রিথিং’ হায়নরবসু ‘মনি কেন দু মেনি মেনি থিংস’ হায়বসিমসু ককপা য়াদবা চুম্লবা ৱাফম্নি। ঙসিদি ইন্দষ্ট্রিএল এজগী মতম লোইশিল্লক্তুনা ইনফোর্মেসন এজদা চঙশিল্লকপগা ইরোয়ননা মীপূম খুদিংমক্কী মথৌ তাবা পোৎচঙগী চাংসু হেনগৎলক্লে। মথৌ তাবা পোৎচঙ খুদিংমক ফংনবা শেল য়াম্না তানবগী মথৌসু তারকই। অপাম অপাম্বা পোৎশক খুদিংমক খুদক খুদক্তা ফংবা ঙম্নবা অহিং অমদা ক্রোরপতি ওইবা ঙম্নবা, ৱাদনা শেল য়াম্না তানবা য়াবা লম্বী য়েংনরকপনা অচুম অরান য়েংদনা তৌফম থোকপা থোক্তবা, তৌহৈদবা, তৌহৈবা য়েংদবা মীগী মশীং য়ামখৎলকপনা ঙসিদি উহৈদবা কয়া উরক্লে, তাহৈদবা কয়া তারক্লে, শান্তি হায়বা ৱাহৈদো লমদম অসিগী লৈমায়দগী তপ্না তপ্না মূৎশিল্লক্লে। লৈঙাক্লিবা, লৈশেল্লিবা, লৈঙাক্কী ফমজাও পায়রিবশিংনা মশা মশাগী ওইজবা থিবা অমদি খুদোংচাবা লৌনবদা ঙসিদি খুন্নাই অসিদা অচুম্বগী মমি শামজিল্লক্লে হায়বদা হায়মনবা থোক্লরোই। লৈঙাক্লিবা কাঙবুনা তৌফম থোকপা থোক্তবা য়েংনদ্রে, মশা মশাগী ওইজবা থিবদা মীওই অয়াম্বা মমিৎ তাংলে, মনাসু পঙলে, অচুম্বা ৱাকৎ তাবীনবা কনা লৈরি খুন্নাইসিদা? কনানবু অচুম্বা তৌরিবগে? ঙসিগী খুন্নাই অসিদা লৈরিবা মীপূম খুদিংমক্না অচুম্ববু তৌনরবা, মীনুংশিবু লৈনরবা লমদম অসিদা পুলিস, ৱায়েলশঙ অমসুং লমদম অসিদা মমিংতগী ওইনা চৎনরিবা মশীং য়াম্লবা আইনশিং অসিগী মথৌবু তাখিগদ্রা? অচুম্বা ৱায়েল ফংদুনা মীপূম খুদিংমক্না মান্নবা থাক অমদা হিংমিন্নরবা মতম অদুদা ধর্ম্মগী ৱাহন্থোকসু লৈরোই।

লৈঙাকপা লৈশেম্বদগী হৌরগা লমদম অসিগী মীওই অয়াম্বা মকোক্তগী মতোন ফাওবা মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বগী মতুংইন্না তৌনীংবতা তৌনদুনা অঙম অঙম্বা চাংদা মরল মথুম খোমজিন তাশিনবনা লমদম অসিগী মতমসিগী অনৌবা চৎনবী ওইরক্লে। অনীংবা অপাম্বা খুদিংমক খুদক্তা ফংনবা হোৎনবদা অচুম অরান য়েংনদ্রে, ইকায় ইকি লৈনদ্রে, ওইনি ওইরোই খন্নদ্রে, শেলতবু লাইনীং ওইরক্লে। নমথাক তৌবদা ইকায়বসু পোক্লদ্রে। ঙক য়োল্লগা সেনাপতি ফংই হায়নবগুম থৱায়গী পাম্মুবসু লৈনদ্রে। শেল লায়না ফংনবা হোৎনবদা অনৌ অনৌবা পাম্বৈ কয়া পুথোক্তুনা তাবদা অঙকপা পোকপা থৌদোক ৱাথোক কয়া থেংনরে। মতম খরগী মমাঙদা শেল মচা পোকহনগনি হায়না নমথাক তৌদুনা লুপা লাখ-লাখ খোমগৎখিবগী ৱারী, মপান লমদগী লাকপা মীওইশিংনা অহোঙবা মমলদা পোৎ ফংহনগনি হায়জিল্লগা মমল য়ামদবা পোৎলম খরা মমল তঙ্খাই তাবীদা পীদুনা থাজহল্লগা লুপা লাখ-লাখ খোমজিল্লগা চেনখিবগী থৌদোক কয়াসু থেংনখ্রে। মপানগী মীওইখক্তা নত্তনা ইরমদমগী ইরৈচা কয়া অমনসু লমদম অসিগী মীওই কয়াদগী লুপা লাখ-লাখ খোমগৎলগা লোৎখিবগী পাউ ঙসিসু তারি। শেন্দোয় পাম্বদগী ক্যু লেপ্লগা দিপোজিৎ তৌনখিবা শেন্দোয় শেল্লেপ পূন্না মাঙখিদুনা ঙাওচৎনবা মীওই কয়া অমসু লৈরি।

লৈঙাক্কী কর্ম্মচারিশিংসু অদু মঙাই তৌনীং-তৌনীংবতা তৌবগী চৎনবী অমা ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলক্লি। ঈশিং ঈচাওনবু ফৈ মরমদি ঈচাওদি হেনগৎলুরবসু অমুক হন্থখি, করপসনদি হন্থবা নাইদে। খ্বাইদগী নেম্বা পোষ্টতগী হৌরগা অৱাংবা থাক্কী কর্ম্মচারিশিং অয়াম্বনা ওইবজা থিবদা অচুম অরান য়েংনদ্রে। ইম্ফাল সহরগী মী চিল্লবা বজারগী থোং মথক্তা গাড়ীদগী শেল ফোংনা খায়রি, কনানসু করিসু হায়দে, ৱারকপীনবা লৈতে। মীয়াম মমাঙদা ফোংনা শেল খায়বা ঙল্লিবা লমদম অসিদা মীনা উদবা পদার খনবা কা মনুংদদি করম তৌরমগনি? লৈবাক ঙাকউ হায়না থাগৎখিবা অঙম অথৌগী মিংথোল ফংলবা লৈঙাকপশিংগী য়ূমদা, ওফিসতা, ওফিসল ক্বার্টরদা নোং হেক ঙানবদগী অথেংবা অহিং ফাওবদা চিক্না-চাইনবা ঙমদনা তিল্লিবা মীওইশিং অসি লৈঙাকপশিংদা অরানবা তৌগনু, অচুম্বা তৌদুনা মীয়াম্বু নুংঙাই য়াইফনা থম্নবা হোৎনৌ হায়বা পাউতাক পীবা লাকপা মী য়াওরমগদ্রা? থাজদে, অরানববু চুমহনবীনবা, য়াদববু য়াহনবীনবা মশা মশাগী ওইজবা লৌহৌনবা লাকপনা অয়াম্বা ওইরমগনি। আইন শেম্লগা লৈবাক ঙাকউ হায়না থাগৎখিবা মীহুৎশিংনা লৈঙাক্কী থবক হাপ্পা, লৌথোকপা, ত্রান্সফর থাবদগী হৌরগা ঠিকা, সপ্লাই পীবা, শেল থাদোকপা-পীথোকপদা য়াওদবা য়াদবগুম তৌনরক্লিবা অসিনা করিগীনো? মখোয় লোয়নমক অচুম্বা তৌরমগদ্রা? শেঞ্জা থুমজা তৌরল্লোইদ্রা?

পূম্নমক অসিগী থৌদাং কনাগী ওইগনি? কর্ম্মচারিশিংবু নীংথিনা কন্ট্রোল তৌবা ঙমদবা মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টশিংগী মকোকশিং, আইন শেম্লগা কাঙলোন চুম্না চৎনহনবা ঙমদবা লৈঙাকপশিং অমসুং খূৎনা পায়দুনা শীজিন্নরিবা লুচিংবশিংনা থোকহনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লুরোই। অচুম্বা লৈরক্ত্রবা, আইন চৎনরক্ত্রবা, মশা মশাগী অনীংবা অপাম্বশিং মনীং তম্না পাঙথোক্লুরকপনা ঙসিদি মীওই অয়াম্বনা হিংনবগী লানফমদা ঙম্না-ঙম্নবা মওংদা থবক পাঙথোক্লুরকপনি হায়না লৌবসু য়াই। অদুনা ঙসি নাওশুমদা হাইরিবা তুংগী মীরোলদা অফবা খুন্নাই অমা শিন্নরমসি হায়রবদি লৈঙাকপা, লৈশেম্বশিং য়াওনা মীপূম খুদিংমক্না চৎন-কাঙলোনগী মতুংইন্না অচুম্বা তৌবগী মথৌ তারে। মদু নত্তনা অনীংবা অপাম্বা খুদিংমক খুদক্তা য়াম্না লায়না ফংনবা ঙম্না-ঙম্নবা তৌনরবদি ঙসিগী শোয়রে হায়নরিবা খুন্নাই অসিদগী হেন্না শোকচিল্লবা লৌখৎপা য়াদ্রবা খুন্নাই অমা ওইরক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ৱায়েল কাটি লৈরম্বা, খুলগী চৌকিদার অমনা ৱায়েল্লম্বগী ৱারী লৈরিবা লমদম অসিদা ঙসি পৈশা পান্বী থাবদা হৌহনবা ঙমগদবা মীওই থিবা ফংখিগদ্রা? ●

# সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল (দিরেক্সন) মীয়ামগী অপাম্বনি

## (ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেট মেছিন অনীমক ১০০দা ১০০ ভেরিফিকেসন তৌবগী ৱাফম খুদিংমক সুপ্রিম কোর্টনা য়াখিদ্রবসু, ভিভিপেটতা সিম্বোল লোদিং প্রোসেস লোইরবা মতুংদা সিম্বোল লোদিং য়ুনিট সিল্ড তৌদুনা থম্নবা খঙহনখ্রে)

- সৌবাম বিরধজ -

সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসিনা ঈ ভি এম (অমা হেক্তা টেম্পরিং তৌখ্রে নৎত্রগা তৌদে) হায়না চিংনরিবদু তশেং-তশেংনমক খঙদোক্লনবা লৌখৎফম থোকপা ঈ সী আইনা লেপ্লক্কদৌরিবা অসি সুপ্রিম কোর্টকী জজমেন্টনা ওর্দর থোক্লিবা অসিগী মতুংইন্না পায়খৎকদৌরিবনি। ওর্দর অসিনা কনাগুম্বনা ইলেক্সন অদুগী রিজল্ট হায়দোরক্লবা মতুংদা মায়থীহৌরবা কেন্দিদেট (সেকেন্দ নৎত্রগা থার্দ তাহৌরবা) অদুনা ঈ সী আইনা পীরক্কদৌরিবা চৎন-কাঙলোনশিংগী মতুংইন্না (অকক্লবা শেনফম খরা) ফিক্স দিপোজিৎ তৌগদৌবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল অসিদা পল্লি। করিগুম্বা কেন্দিদেট অদুগী ৱাকৎ অদুনা ইলেক্সনদা শীজিন্নখিবা (ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেট মেছিন) অনীমক ১০০দা ১০০ মেটচিং তৌদুনা য়েংগদৌরিবনি। অসুম্না সুপ্রিম কোর্টকী নৌনা ৱারেপ লৌরক্লিবা কোর্টকী ওর্দর অসিনা ঈ ভি এম মেছিন অমসুং ভিভিপেট মেছিন অনীমক তুনা (ভেরিফিকেসন তৌবা য়াবগী হক অদু পীগদৌরিবনি) হায়না সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদুদা ইরিবনি। অসুম্না ঈ ভি এম মেছিন টেম্পরিং তৌখ্রে নৎত্রগা তৌখিদে হায়বদু খঙদোক্লবগী তাঞ্জা অমা চপ চানা ফংলগনি। হন্দক্কী সুপ্রিম কোর্টকী ৱায়েল (দিরেক্সন) অসিমক্তি ইলেক্সন থেংনরিবা কেন্দিদেটশিং অমসুং মীয়ামগী অপাম্বদু শোয়দনা চপ চানা ওইরগনি হায়না মীয়ামগী মফমদা ফাওনরক্লিবনি। মসিমক্না লৈবাক অসিদা ঈ ভি এম মেছিন শীজিন্নদুনা ইলেক্সন পাঙথোক্লিবসিদা চিংনবা/নমথাক তৌবা পূম্নমক য়াদে হায়বদু খঙদোক্লুবগী চপ চারবা তানফম হায়বদু ওইগদৌরিবনি।

চৎলিবা চৈচৎ অসিগী এপ্রিল ১৯দা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকপা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অদু লাউথোকখ্রে। অসুম্না লাউথোকখিবা ওর্দর অদু লমায় ৫৬ পাল্লি অমসুং মদুদা চৎন-কাঙলোন পূম্নমক ইদুনা শুগাইনা তাক্লি। কনাগুম্বা ইলেক্সন লেপখিবা কেন্দিদেট (কাহৌদবা সেকেন্দ নৎত্রগা থার্দ তাহৌরবা কেন্দিদেট) অমনা অইবা চেরোল পীদুনা অমসুং ঈ সী আইনা পীরক্কদৌরিবা দিপোজিৎকী শেনফমশিং দিপোজিৎ তৌবগা লোয়ননা ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেট মেছিন অনীমক ১০০দা ১০০ ভেরিফিকেসন তৌবগী অয়াবা অদু লৌগদৌরিবনি। অসুম্না পাঙথোকখ্রবা পোল্লিং ষ্টেসন অমগী রিজল্ট হায়দোরকপা মতমদা ফংগনি হায়না খল্লম্বা ভোটকী রিজল্ট অদু আশা তৌরম্বদগী য়াম্না খেন্নরবদি অদুগুম্লবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী ঈ ভি এম অমসুং ভিভিপেট মেছিন অনীমক ১০০দা ১০০ য়ৌনা ক্রোস ভেরিফিকেসন তৌবীয়ু হায়না ঈ সী আইদা অইবা চেরোল পীদুনা কমপ্লেন্ট অমা ভোট থিবগী রিজল্ট হায়দোক্ত্রিঙৈদা দি সীগী খূত্থাংদা (সর্টিফিকেট ইস্যু তৌদ্রিঙৈদা) মতম চানা অইবা ৱাকৎ চেরোল অমা থাবীহৌগদৌবনি/পীশিলহৌগদবনি। মরম অদুনা ভোট লেপখিবা কেন্দিদেট খুদিংমক্না সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর লমায় ৫৬ অসি মপূং ফানা মাঙজৌননা পাদুনা নৈনহৌগদৌবনি অমসুং অখঙ-অহৈশিংগা তাথোক-তাশিন তৌদুনা ঈ ভি এম মেছিন অসি টেম্পরিং তৌখ্রে নৎত্রগা চিংননীংঙাই ওইবা ফীভম ওইরে হায়বদু মতম চানা রিপোর্ট তৌহৌগদৌবনি অমসুং মতম চানা লৌখৎফম থোকপা লৌখৎহৌদুনা সুপ্রিম কোর্টকী ওর্দর অসিগী তুংইন্না টেম্পরিং তৌখ্রে নৎত্রগা তৌখিদে হায়বদু চপ চানা খঙদোকহৌনবগী তাঞ্জা অসি মাঙহল্লোইদৌবনি। অসুম্না ইচম চম্বা সধারন ওইবা মীয়াম্না খঙলবসু করিমত্তা তৌবা ঙমদদুনা খঙদবগুম লৈরম্বদগী তপ্না তপ্না হীরম খুদিংমক খঙলক্তুনা সুপ্রিম কোর্ট অসিবু থাজবা হেল্লক্লিবনি।

হৌজিক্তি মীয়াম্না থবক ওইনা হেক্তা পাঙথোকপদি য়াদবা অদুগা মরী লৈনবশিং/অখঙ অহৈশিংনা সুপ্রিম কোর্টকী মতেং লৌদুনা কোর্টতা কেস প্রোসিদিং লৌখৎপবুদি মীয়াম্না পামজবা হীরম কয়ামরুম লৈরিবনি। খুদম ওইনা নুংতিগী ফোঙলিবা পাউচে খরদা য়াওরিবা ‘পি এম মোদিগী মথক্তা কমপ্লেন্ট ২৭ অমসুং নোটিস অমা লৈরবসু ঈ সী আইনা ঙসি ফাওবা এক্সন অমত্তা লৌখৎত্রি’ হায়রিবসি মরী লৈনবা পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা কাঙলূপ অদুনা মরম চাবা খুদম চাংদম পীদুনা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎত্রিবা করিগীনো হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বা ৱাহং ওইদ্রিবরা? ৱাকৎ লাক্ত্রবদি সুপ্রিম কোর্টনা করম্না খঙগনি অমসুং মতিক চাবা ওর্দর করম্না তাগদৌরিবনো? অমরোমদা, মণিপুরগী হায়ৱে অনী অসিদা বন্দ/ব্লোকেদ তৌরগনি হায়না লাউথোক্লিবা/বন্দ/ব্লোকেদ তৌরিবা ওর্গনাইজেসন অদু আইন থুগাইবগীদমক মখোয়গী মথক্তা সুপ্রিম কোর্টতা ৱাকৎতুনা ৱায়েল চথদ্রিবসি মরী লৈনবশিংনা কেস ফাইল তৌদবগীনি হায়না মীচম অমা ওইনা থমজরি। মরমদি মণিপুরদা লৈরিবা সী এস ও ময়াম অসিদা মীয়াম্না মরম চাবা শেন্থং খাইরিবনি অমসুং মতেং পাংলিবনি। মরম অদুনা মীয়ামগী অপাম্বদু খঙনা মরী লৈনবা সী এস ওশিংনা থবক থৌরমশিং অসি সুপ্রিম কোর্টকী খূত্থাংদা কেস ফাইল তৌদুনা শীংনগদৌবনি/পায়খৎকদৌবনি অমসুং বন্দ/ব্লোকেদ তৌরিবশিংবু মতম চানা চৈরাক ফংহনগদৌবনি।

চৎলিবা চৈচৎ অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ২৭ থাংজ নুমিৎতা নোংচুপ থংবা মহারাষ্ট্রগী কোলাপুরদা ভোট খোম্বগী মীফম অমদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ৱা ঙাঙবদা কোংগ্রেসনা লুচিংবা ওপোজিসন ব্লোকনা পাল্লিবসি চহী অমগী মনুংদা পি এম অমা লৈবা, লোয়ননা চহী মঙাদা প্রাইম মিনিষ্টর মঙা লৈবা পাল্লিবরা হায়রিবসি ভোটকী কোদ ওফ কন্দক্টতা অকায়বা ওইবরা ওইদবরা হায়বসিসু ৱাহং অমনি নৎত্রগা ইলেক্সন রিজল্ট হায়দোরকপদা বি জে পিনা এবসোলুট মেজোরিটি ওইররোই হায়না চিংনবদগী হায়রিবরা হায়না ৱাহন্থোক পীবসু য়ারিবনি। প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়রি ওপোজিসন ইন্দিয়ন ব্লোকনা দিজিৎ অহুম য়ৌবা ঙল্লোই হায়বদি চাম্মগী মখাদা ফংলগা লৈহৌরগনি হায়রিবনি। পূম্নমক অসি ভোটকী প্রোপেগন্দানি, অশেংবা রিজল্ট অদুদি হায়দোক্লগা খঙলগনি, তৌবতবু পি এম মোদিগী মিংচৎ ময়েং তপ্না তপ্না হন্থরক্লি হায়না পোলিটিক্স তৌবা মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা হায়নরক্লিবনি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর অসি দিক্টেটরগী শক্লোন্দা হেন্না পাম্বগুম তৌরক্লিবসিনি। মন কি বাট নত্তনা ঐখোয়না প্রাইম মিনিষ্টরদগী করিবু আশা তৌনীংঙাই লৈরিবগে? মণিপুর হায়বসি হৌজিক্তি ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইরিবনি, অসিগুম্লবা মণিপুরগী চহী অমা মপূং ফানা হৌখ্রবা কুকি অমসুং মীতৈগী লান অসিবু লোইশিন্নবগী থৌরাং হৌজিক ফাওবা পায়খত্তবা লোয়ননা মণিপুরদা নোংমতা খোঙদাখিদ্রবা প্রাইম মিনিষ্টরনা মণিপুরগী করিবু খল্লমগদগে?

কুম্বীগী মপাউসে য়াম্না শীংথানীংঙাইনি, লমদমদুগী খুল ঙাকপশিংনা খুল ঙাক্লম্বদগী মশীং য়াম্লবা ৭শুবা মহার রেজিমেন্টকী কাঙবু লাকপদগী খূৎশু-খূৎলায় হুন্দোক্লম্লগা চেনখ্রবা মতুংদা খূৎশু খূৎলায়শিং অদু পুদুনা চৎননবা হোৎনরকপদা কুম্বীদা য়াম্লবা মৈরা পায়বীশিংনা লম্বীদা হিপচিন্দুনা কেম্পর গাড়ীশিং অদু থিংননবা য়াম্না কন্না হোৎনখি (মৈরা পায়বীশিংগী থৌনা অদুমক শীংথানীংঙাই অমনি হায়দবদি ঙল্লরোই ওন্থোক্না ফজনা থিংননবা হোৎনবগী শক্তমনি) পূক্লিংসি তথকচখি (হকচাংগী তু পূম্নমক চপ-চপ তিংদুনা শ্বাই-শ্বাই লাউখি, কোকচাওবী কাবমখৈ মিৎ কুপ্তুনা য়েংজখি) তৌরিবা মতৌদুদা। তানফমদুদা (হৌখিবা সোসল মীদিয়াদা ভাইরেল চৎখিবা), মোরেদা কুকি মিলিটেন্ট কাঙবুনা আর্মিগী কেম্পর গাড়ী মমাঙদা থৎতুনা বেক তৌখো নৎত্রগদি কাপখায়রগনি হায়না ধপ তৌখিবা অমসুং মদুদা আর্মিনা বেক তৌদুনা হন্তোকখিবদু কম্পিয়র(চাংদম্নরদুনা) টিভিদা শক্তম অনীমক কাপথোরকখিবদু হঙ্গৎনা য়েংলুবদা য়াম্না পেঞ্জখিদ্রে। লম্বী ময়ায়দা হিপ্তুনা লৈরিবশিং পূম্নমক্তুগী মরক্তা কেম্পর গাড়ীদু অশাংবা হোর্ন খোংলদুনা লেপ্তুনা থৌজিল্লকখিবা এক্সন অদু (খরা খিৎ হেনমনখি) চকাদগী চিংথোকহৌদ্রবদি অনৌবা পুৱারী অমা শোয়দনা শেম্লমগনি। মতমদুদা ইন্দিয়াগী শক্তি লৈরবা আর্মিনা কুকি মিলিটেন্টশিংনা ধপ তৌরকপদা খাঙদুনা লৈখিদে (ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুকিশিংবু ঙাক্লৌ পীবনরা খঙদে) আর্মিগী কেম্পর গাড়ীদু বেক তৌদুনা মোরেগী কুকিশিংদা করিমত্তা তৌখিদে।

চৎলিবা চৈচৎ অসিগী হৌখিবা এপ্রিল ১৯দা ইন্দিয়া অপূনবগী অহানবা ফেজগী ওইনা কন্সটিটুএন্সি (সিট) ১০২গী মীখল পাঙথোকখ্রবা মতুং এপ্রিল ২৬তা অনীশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা কন্সটিটুয়েন্সি (সিট) ৮৯গী মীখল পাঙথোকখ্রে। মদুদা য়ু পি অমসুং মহারাষ্ট্রসু য়াওখ্রবনি। হৌখিবা মে ৭তা অহুম্লকশুবা তাঙ্কক্কী ওইনা কন্সটিট্যুএন্সি ৯৩গী মীখল পাঙথোক্তুনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা অপূনবা কন্সটিট্যুএন্সি ২৮৪গী ইলেক্সন পাঙথোকখিবদা এন দি এগী অকনবা ৱাঙাঙলোই টেজশ্রী শ্বেটানা এন দি এগী (বি জে পি) না ২০% অমসুং ইন্দিয়নগী (কোংগ্রেস) না ৮০% ভোটরশিংনা কাষ্টিং তৌখিবগী মত ফোঙদোক্লি। মসি নুংশা য়াম্না শাখিবা অমসুং বি জে পিগী ঈথক ঈপোম হন্থরকপদগী ওইগনি হায়না ফোঙদোকপগী মত ওইনা থল্লিবনি। অমুক্কসু বি জে পিগী অকনবা শুধি চৌধুরিনা অসুম্না অমুক্কসু ফোঙদোক্লি মদুদি হিন্দুনা নম্না তাবা মফমদা ভোট থাদবগী চাং য়াম্না নেমখিবা অমসুং মুস্লিমনা তাবা মফমদা ভোট থাদবগী চাং য়াম্না ৱাংখিবা অসিনা হন্দক্কী ইলেক্সন অসি বি জে পিগী ওইনা মশীং শোয়দনা হন্থরগনি হায়না মহাক্কী ওইবা মত ফোঙদোক্লিবনি। পূম্নমক ইলেক্সন রিজল্ট হায়দোরকপদা খঙলগনি। অসুম্না বি জে পি মশেল মরক্তা এলিগেসন য়াম্না লৈরবরা খল্লি হায়না ভাইরেল চৎখিবা সোসল মীদিয়াশিং য়েংলুবদা উজরকপদু পাউদমজবনি, বি জে পি অমসুং কোংগ্রেস অনীমক্তা মীচং চংনীংবগী ৱাখল্লোন অমত্তা লৈজদে। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।